# বেঙ্গলগী জেইন্ট ফুটবোল ক্লব মোহন বগান অমসুং বেঙ্গলুরু এফ সি মায় পাকখ্রে



পুনে, জন্যুৱারী ৩১ ঃ
বেঙ্গলগী জেইন্ট ফুটবোল ক্লব অমনি হায়না লৌনরিবা মোহন বগাননা মফম অসিগী বালেৱাদি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা দি এস কে শিভাজিয়ান্সপু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী টাইটল লৌনবগী খোঙজেল থুজিনহনখ্রে।

য়ূম্বু টিমগী শান্নরোয় ১০ খক্তনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায় পাকখিবা মোহন বগানগী গোলশিং অদু সোনি নোর্দেনা চনখি। শিভাজিয়ান্সনা মেচ হেক হৌবদগী য়াম্না ফজনা শান্নদুনা মায় পাক্তবা য়াদে হায়না তকখৎখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৪ চৎপা মতমদা দৌহৌ পাইরেনা তৌখিবা গোল এটেম্প অমা টিমমেটশিংগী মরক্তা অন্দরষ্টেন্দিং লৈনদবদগী গোল চনবা ঙমখিদে।

মোহন বগানসু ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা কাউন্টর এটেকশিং চথুখি। মখোয়গী এটেক্তা মিদফিল্ডর ব্রেন্দন ফর্ণান্দেজনা শাফু কন্না শিভাজিয়ান্সগী গোল পোষ্ট তম্না কাওশিনবা বোল অমা গোলকিপর সুব্রটা পাওলনা ইন্থোকখিবদা কোর্নর অমা ফংখি। মদুদা মোহন বগানগী ষ্ট্রাইকর নোর্দেননা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল ইক্বেলাইজ তৌগদবা নৎত্রগা অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা মোহন বগান অমদি শিভাজিন্সসু গোল চন্ননবা অঙন্বা থৌনা পুথোক্তুনা শান্নরকখি। অদুবু টিম অনীগী ৱালগুম লৈনখিবা দিফেন্স অদু থুগায়বা ইঙম ঙম্নদনা লৈখিবনা গোল চন্নবা ঙমখিদে। মেচকী মিনিট ৫৫ চৎপা মতমদা সোনি নোর্দেনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিমনা মেচ অদু মায় পাকখি। শিভাজিয়ান্সকী প্লেয়র লালমাঙাই রাল্টেনা অনীরক ফাউল তৌখিবদগী তান্থোক্তুনা মেচ অদুদা প্লেয়র ১০ না শান্নখি।

অমরোমদা বরাসট ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা মেচতা বেঙ্গালুরু এফ সিনা ইষ্ট বেঙ্গলবু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম কেপ্তেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা মেচকী অমত্তা ঙাইরবা গাল চন্দুনা বেঙ্গলুরু এফ সিনা অহানবা ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ইষ্ট বেঙ্গলবু মায়থীবা পীখি।

মমাঙ সিজন্দা বেঙ্গালুরুগী কান্টিরাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচতা বেঙ্গালুরু এফ সিনা ইষ্ট বেঙ্গলবু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখিবনি।

টিম অনীমক্কা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা অহানবা হাফ ফাওবদি গোল চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি অদুবু সেকেন্দ হাফকী মিনিট ৫৯ চৎপা মতমদা সুনিল ছেত্রিনা গোল অমা চনশিন্দুনা ইষ্ট বেঙ্গলবু মায়থীবা পীখি।

হৌজিক টিম অনী অসিনা মখোয়গী ফংখিবা মেচ মরি/মরি শান্নখিবদা ইষ্ট বেঙ্গলনা বেঙ্গালুরুদগী পোইন্ট মরি হন্থনা লৈরি।

# হোকি ইন্দিয়া লীগ ঃ টালৱিন্দরগী ফিল্ড গোলনা দেল্লিনা দবাং মুম্বাইবু মায়থীবা পীখ্রে

মুম্বাই, জন্যুৱারী ৩১ ঃ
টালৱিন্দর সিংহনা হোকি ইন্দিয়া লীগকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মেচকী লোইরমদাই পুংজাদা চনখিবা ফিল্ড গোলনা দেল্লি ৱেভরাইদরসনা দবাং মুম্বাইবু ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমলকশুবা ওইনা মায় পাকখ্রে।

ভিজিটরনা মেচ অদুগী মরিশুবা ক্বার্টর লোইগদবা মিনিট অহুমখক্তমক ঙাইরবা মতমদা গোল ২-৩ দা শোত্থনা লৈরম্বা অদু টালৱিন্দরনা গোল অমা চনশিন্দুনা দেল্লিনা গেম মরি ফংখিবদা অহুম মায় পাকখি।

মেচ অদুগী হাফ টাইম ফাওবদা ২-১ দা মাঙজিল থানা লৈখিবা মুম্বাইনা ঙরাংগী মায়থীখিবা অদু থারগা মখোয়গী থংনা থংননা মায়থীবা অহুমশুবা অদুগা হোম সোইলদনা অমুরক ওইখি।

দবাং মুম্বাইগী প্লেয়র জর্মনগী ফ্লোরিন ফুচনা অহানবা ক্বার্টরদা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। অদুবু পেনালটি কোর্নর য়ৈবদা হৈথোই শিংথোইরবা দেল্লিগী রুপিন্দর পাল সিংহনা টিমগী অহানবা গোল অনীমক পেনালটি কোর্নরদা চন্দুনা য়ূম্বুগা লেবেল মান্ননা লৈখি। অহেনবা গোল চন্দুনা মায়থীবা পীদবা য়াদে হায়দুনা মুম্বাইনা তকখৎলকখিবা এটেক্তা হরমনপ্রীট সিংহনা পেনালটি কোর্নরদগী গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩-২ দা অমুক হন্না মাঙজিল থানা লৈখি।



য়ূম্বুনা মেচ হেক হৌখিবদগী ফজবা টেক্নিকশিং পুথোক্তুনা শান্নরক্তুনা দেল্লিগী দিফেন্সপু থুগায়নবা হোৎনখি। মখোয়গী দানিস মুজটাবা অমদি মনপ্রীট সিংহনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু গোল স্কোরর য়াওখিদবনা মেচ মায় পাক্লবগী অশা অদু মাঙখি। মুম্বাইনা মেচকী অহানবা ক্বার্টর অনীদা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অহুম গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মেচকী অহুমশুবা ক্বার্টরদা দেল্লিনা পেনালটি কোর্নর মঙা ফংখিবদা রুপিন্দর সিংহনা অহুমশুবা পেনালটি কোর্নর অদু গোল ওন্থোক্তুনা মায়োক্নখিবা টিমগা গোল মশীং মান্ননা লৈখি। অদুবু দেল্লিনা মুম্বাইগী মায়কৈদা তৌখিবা কাউন্টর এটেক্তা টালৱিন্দর সিংহনা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ৪-৩ দা লৈখি। মুম্বাইনা মেচকী অরোইবা মিনিটতা কোর্নর অমা ফংখ্রবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লীগ অসিদা অহুম্লকশুবা ওইনা মায়থীখি।

লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১ দা দেল্লিনা উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দসকা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। চথুরিবা লীগ অসি লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ২১ ফাওবা চথুগনি। লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি জয়পি পঞ্জাব ৱারিয়রস, দেল্লি ৱেভরাইদরস, কলিঙ্গা লেন্সরস, উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দস, দবাং মুম্বাই অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রাঞ্চি রেজনি।

# ইন্দিয়াগী কিদম্বী শ্রীকান্টনা অহুম্লকশুবা ওইনা সয়ীদ মোদি ইন্টরনেসনেলগী ফাইনেল চঙখ্রে



লক্ষনৌ, জন্যুৱারি ৩১ ঃ
ইন্দিয়াগী কিদম্বী শ্রীকান্টনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা থাইলেন্দগী ১১ শুবা সীদ বুনসাক পোন্সানাবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীবা পীদুনা দোল্লর ১২০,০০০ সয়ীদ মোদি ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন-শিপকী মেন'স সিঙ্গলস ফাইনেল চঙখ্রে।

মফম অসিগী বাবু বনারাশি দাস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা টোপ সীদ শ্রীকান্টনা মিনিট ৩২ খকচঙনা শান্নদুনা থাইবু ২১-১৪, ২১-৭ তা মায়থীবা পীদুনা শ্রীকান্টনা পোন্সানাগা মায়োক্নবদা ৩-১ দা মায় পাকখিবগী কেরিয়র রেকোর্দ থমখি।

হৌখিবা চহী অনীদা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলিষ্ট ওইখিবা শ্রীকান্টনা গ্রান্দ প্রী গোল্ড টুর্নামেন্টগী টাইটল মেচ থংনা থংননা অহুম্লকশুবা ওইনা শান্নরগনি অমদি অহুমলকশুবা অসিদা মায় পাক্কনি হায়বগী চাউরবা আশা তৌরি।

গুন্টুরদা পোকখিবা অসিনা গেম অনীমক্তা সীদ ১১ দা লৈবা অসিবু দোমিনেট তৌনা চৎখি। অহানবা গেমদা মশাগী চহী ২২ শুরবা অসিনা নিংথিনা শান্নদুনা য়াম্না ঙন্না ১১-৬ তা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং পোইন্ট মঙা অমগা অমুক লৌদুনা ১৬-৬ তা লৈখি। ৱর্ল্ড নম্বর ২৮ দা লৈরিবা পোন্সানানা গেম অদুদা লম্বানবদা অহাংবা মফম অমা লৈরিবা অদু মেনশিন্নবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্নখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৯ দা লৈরিবা শ্রীকান্টনা অনীশুবা গেমদসু মাঙজিল থানা চৎখিদুনা গেম অদুগী পোইন্ট ২৮ গী মনুংদা পোইন্ট ২১ লৌখি। শ্রীকান্টনা ১২-৬ তা লৈখিবা মতমদা গেম অদু মায় পাক্লবগীদমক মথংগী প্লে ১০ দা পোইন্ট অমখক মাঙখি। শ্রীকান্টনা টাইটল ক্লাসকীদমক চিনাগী হুআঙ য়ুক্সিআঙগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী মেন'স দবলসতা ইন্দিয়াগী মচিন তুমখৎলক্লিবা দো অকশয় দেৱালকর অমদি প্রনাভ জেরি চোপ্রানা ৱর্ল্ড নম্বর ৭ তা লৈরিবা কোরিয়ন কিম গি জুং অমদি কিম সা রংবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অনীরক ওইখ্রবা জুরাবু ২৫-২৩, ১৩-২১, ২১-১৭ তা পুং অমগা মিনিট ৪ চঙনা শান্নদুনা মায়থীবা পীখি।

গেমগী নেটতা অনীরক পানখিবা কিম সারংনা মেচ অদু ইন্দিয়াগী জুরাদা দিসাইদরগীদমক শিন্নখি অমদি মদুদা মায়থীবদগী শাউদুনা রেকেট লংথোকখি। থৌওং অদুগীদমক মহাকপু য়েল্লো কার্দ উৎখি।

ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা মালেসিয়াগী ভি শেম গোহ অমদি ৱী কিত্তংটানগা ফাইনেলদা শান্নগনি। অতোপ্পা প্লেদা কম্মনৱেথ গেমসকী শিলভর মেদলিষ্ট জৱালা গুত্তা অমদি অশ্বনি পোন্নাপ্পানা কোরিয়াগী জুরা জুং কয়ুং ইয়ুন অমদি শিন সেয়ুং চানগী মখূৎতা ১৪-২১, ১৬-২১ দা মিনিট ৩৯ চঙনা শান্নখিবা অদুদা মায়থীহৌখি।

# ইন্দিয়া অন্দর-১৯ ৱর্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



মিরপুর, জন্যুৱারী ৩১ ঃ
বংলাদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা চথুরিবা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) অন্দর-১৯ ৱর্ল্ড কপকী ঙরাং শান্নখিবা মেচতা ইন্দিয়ানা ন্যুজিলেন্দবু রন ১২০ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ইন্দিয়ানা ৱিকেট নিপান আউট ওইরগা অপূনবা রন ২৫৮ লৌখি। ইন্দিয়াগী টার্গেট স্কোর লৌনবগীদমক ন্যুজিলেন্দনা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩১.৩ দা রন ১৩৮ খক লৌরগা ৱিকেট পূম্নমক আউট ওইখিদুনা ইন্দিয়াগী মখূৎতা রন ১২০ দা মায়থীখি।

ইন্দিয়াগী সরফরাজ খাননা মশক থোক্লা রন ৭৪ লৌদুনা মহাক্কী টিমনা মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি। লেফ্ট হেন্দেদ ওপনর রিশাভ পান্ট অমদি অরমান জাফরনা মথংশিৎনা রন ৫৭ অমদি ৪৬ অমদি ওল রাউন্দর মহিপাল লোমরোরনা রন ৪৫ (৪২) লৌদুনা ইন্দিয়াগী অপূনবা রন ২৫৮ লৌবদা মতেং ওইখি।

মেচ অদুগী মেন ওফ দ মেচ তাখিবা ইন্দিয়াগী অভেশ খাননা ওভর ১০ দা রন ৩২ খক পীথোক্লগা ৱিকেট ৪ লৌদুনা ন্যুজিলেন্দগী ফীভম শাথিনা শোকহনখি। মহিপাল লোমরোরনা ওভর ৭.৩ দা রন ৪৭ পীথোক্লগা ৱিকেট ৫ লৌদুনা ন্যুজিলেন্দগী বেট্টিং লাইনবু থক থক নোমহনখি।

ন্যুজিলেন্দনা বেট্টিং তৌবা হৌখিবগী অহানবা ওভর ১০ দা রন ১৬ খক লৌরগা ৱিকেট ৪ তুখিবদগী মেচ অদু মায়থীনবগী লম্বী ফাৎপা হৌখি। ইন্দিয়াসু বেট্টিং তৌখিবা ইকুই কুইদনা রন ১৯ লৌরগা ৱিকেট ২ আউট ওইখিবদগী ফীভম খরা হায়থনা লৈরুরবসু অহুমশুবা ৱিকেটতা পান্ট অমদি সরফরাজনা রন ৮৯ লৌখি। অদুগা তরুকশুবা ৱিকেটতা অরমান অমদি লোমরোরনা রন ৫৫ লৌদুনা ইন্দিয়াবু রন ২৫০ হেন্না লৌখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। ইন্দিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেলদা নেপালগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

# ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচনা এন্দি মরেবু মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল লৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ৩১ ঃ
ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচনা নোংমাইজিং নুমিৎতা রোদ লেভর এরেনাদা শান্নখিবা মেন'স সিঙ্গলস ফাইনলেদা এন্দি মরেবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-১, ৭-৫, ৭-৬ (৩) তা মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল তরুক্লক লৌবা ঙন্বা অনীশুবা মীওই ওইবা ঙমখ্রে।

জোকোভিচনা ওসিজগী লেজেন্দ রোয় ইমরসননা কুমজা ১৯৬১ দগী ১৯৬৭ ফাওবা টাইটল তরুক্লক লৌবা ঙমখিবা অদুগা মান্নবা ঙমখি । মসি চহী ৪৯ অসি কনা অমত্তনা লম্বা তৌদনা লাকখিবনি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্বিয়ন অসিনা মহাক্কী ১১ শুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌবা ঙম্বসু ওইখি। জোকোভিচনা মহাক্কী ১১ শুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল অদু লৌবদা পুং অহুম চঙখি অমদি মহাক্না রোদ লেভর অমদি বজোর্ন বোর্গকা অমত্তা ওইনা পুনবসু ঙমখি। মসি রোজর ফেদররনা ১৭ লক টাইটল লৌদুনা রেকোর্দ থমখিবা অদু য়ৌগদবা ইঞ্চি খরা খক্তা ঙাইশিল্লক্লে।

জোকোভিচনা মহাক্কী টাইটল দিফেন্স তৌনবগী হোৎনখিবদা গেম অদু দোমিনেট তৌনা শান্নখি। জোকোভিচনা অহানবা সেটতা মরেবু নমহৎতুনা ৪-০ দা লৈখি। মহাক্না মহাক্কী সার্ভতা অশোয়বা অমত্তা য়াওহনদনা পোইন্টশিং লৌখি অমদি সেট অদু য়াম্না লায়না মিনিট ৩২ খক চঙনা মায় পাকখি।

অদুম ওইনমক অনীশুবা সেটতা সার্বিয়ন অসিনা খুদোংথিরমগদবদগী লাম্থোক্তুনা ৭-৫ দা মায় পাকখি। অহুমশুবা সেটতা টোপ রেঙ্ককী প্লেয়র অনীমক্না মখা তানা মায় পাক্লবগীদমক অমনা অমগী মফমদা হেঞ্জিন্নবা য়াদনা ভোল্লি অমদি ফোরহেন্দশিং শীজিন্নদুনা চেলেঞ্জ তৌনখি। সেট অদুদা জোকোভিচনা ৭-৬ (৩) তা মায় পাক্তুনা ওপন অসিগী টাইটল লৌখি।

কুমজা ২০০৮ গী ফাইনেলদা জো ৱাইলফ্রাইদ সোংগাবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা মেজর টাইটল লৌখিবা মশাগী চহী ২৮ শুরবা অসিনা মেলবোর্ন পাক্তা খ্বাইদগী মঙম শানবা প্লেয়র ওইখি। মহাক্না এন্দি মরেবু কুমজা ২০১১, ২০১৩ অমদি ২০১৫ গী ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা মশক থোক্লা চঙশিল্লকখিদুনা মমাঙ চহীগী সিজনদা মেজর টাইটল অহুম লৌবা ঙম্বসু ওইখি।

জোকোভিচনা সেমী ফাইনেলদা মরিরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ফেদররবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা গেম অমা ওইখিবগা লোয়ননা মেলবোর্নদা তরুক্লক ফাইনেল চঙবা ঙম্বসু ওইখি। মরেনা কুমজা ২০১০ গী ফাইনেলদা ফেদররগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

# নিলেস ৱাহেংবম ষ্টেট ওপন ফুসাল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৩১ ঃ
উষা ভবন ক্লব শগোলবন্দ শয়াং অমসুং টুর্নামেন্টকী ওর্গেনাইজিং কম্মিটিনা পূন্না শীন্দুনা উষা ভাবন ক্লবকী গ্রাউন্দদা চথুরিবা অনীশুবা নিলেস ৱাহেংবম ষ্টেট লেভেল ওপন ফুসাল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচতা এফ সি ইম্ফাল ময়াই কোয়বী অমসুং এফ সি পি কে য়ূম্নাম খুনৌ মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা টিম ২২ না গ্রুপ মরিদা শরুকয়াদুনা চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এফ সি ইম্ফাল ময়াই কোয়বীনা রাইৱ্রোস পাঙ্গেগী গোল ৪-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা এফ সি ইম্ফালগী গোলশিং অদু কৃষ্ণনা গোল অনী মেচকী ১৫ অমসুং ২৪ শুবা মিনিটতা চনখি। রাজুনা গোল অনী মেচকী ২৩ অমসুং ২৫ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা রাইৱ্রোসকী অহানবা গোল টি রোমিওনা মেচকী ৮ শুবা মিনিটতা অদুগা খেমিনা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ২৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এফ সি পি কে য়ূম্নাম খুনৌনা আই বি ঐচ মৈনো লৈরক গোল ১১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা য়ূম্নাম খুনৌগী গোলশিং অদু রুপনা গোল তরুক মেচকী ১১, ১৪, ২১, ২৬ অমসুং ২৭ শুবা মিনিটতা চনখি। ঙৌবনা গোল অনী মেচকী ১৫ অমসুং ১৬ শুবা মিনিটতা, রোমিওনা গোল অনী মেচকী ২৯ অমসুং ৩০ শুবা মিনিটতা অদুগা রোমেন্না গোল অমা মেচকী ৭ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নগদবা অহুমশুবা মেচতা এ এস থাংমৈবন্দ লাক্তবদগী আর্থক্কেক এফ সি খুয়াথোংনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

# ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীদুনা সেরিজ অসি ৩-০ দা মায় পাকখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ৩১ ঃ
ইন্দিয়ানা অহুমশুবা অমসুং অরোইবা টি-২০ ইন্টরনেসনেলগী ঙসি সিদনি ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট তরেৎতা মায়থীবা পীদুনা সেরিজ অসি ৩-০ দা মায় পাকখ্রে।

ইন্দিয়ানা অমুক হন্না মখোয়গী টোপ-ওর্দর বেটসমেনশিংগী তৌবা ঙম্বদু মখা তানা চথুরক্তুনা রোহিট শর্ম্মা অমদি ভিরাট কোহলিনা হাফ সেঞ্চুরিশিং লৌখিবা অমসুং সুরেশ রাইনানা রন ৪৯ লৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়ানা থম্লম্বা টার্গেট রন ১৯৮ অদু ফংনবা তানখৎপদা চাউরবা মতেং ওইখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী শেন ৱাটসনগী সেঞ্চুরিনা মহাক্কী টিমগীদমক য়াম্লবা রন ১৯৭ লৌবদা চাউরবা মতেং পাঙলম্লবসু কান্নবা ফংদনা ইন্দিয়াগী মখূৎতা মায়থীখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা ওভর ২০ দা ৱিকেট মঙা তুরগা রন ১৯৭ লৌখি। মখোয়গী পাউখুমদা ইন্দিয়ানা ৱিকেট অহুম তুরগা রন ২০০ লৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখিবনি। মশক থোক্লবা ইন্দিয়াগী রন অদু রোহিটনা বোল ৩৮ দা রন ৫২, কোহলিনা বোল ৩৬ তা রন ৫০ অমদি রাইনানা অপনবা অমত্তা লৈতনা বোল ২৫ দা রন ৪৯ লৌদুনা মায় পাকপদা চাউনা মতেং ওইখি।

ইন্দিয়ানা অরোইবা ওভরদা রন ১৭ লৌবা মথৌ তাখি অমদি অরোইবা বোল অনীদা রাইনানা বাউন্দরি অমা কন্দুনা ইন্দিয়াগী মায় পাকপা ওইখি।

ইন্দিয়ানা টি-২০ গী মেচ অহুমগী সেরিজ লৌবা ঙমখিবা হিষ্টোরিক ওইরবা থৌদোক অসিনা আই সি সি টি-২০ গী টিম রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা অহানবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়ানা এদলেইদতা শান্নখিবা অহানবা টি-২০ অমদি মেলবোর্নদা শান্নখিবা অনীশুবা টি-২০ মায় পাকখ্রবনি। ওষ্ট্রেলিয়ানা টি-২০ মেচ অহুম মায়থীখিবা অসিনা রেঙ্কিংদা কুমথরক্তুনা ৮ শুবা স্পোটতা লৈখি। মসি অফঘানিষ্টান অমদি স্কোটলেন্দগী হেক মথক্তা লৈখিবনি।

মেচ অহুমদা হাফ সেঞ্চুরি অহুম্লক লৌখিবা দেল্লিগী কোহলিনা মেন ওফ দ সেরিজগী টাইটল লৌখি। রোহিট অমদি কোহলিনা অনীশুবা ৱিকেটতা রন ৭৮ লৌখি অমদি ওভর ৯.৪ দা ইন্দিয়াগীদমক রন ১০০ লাম্থোকপা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী রোয়সিনা রন ২৮ পীথোক্লগা ৱিকেট ২ লৌখি অদুগা ৱাটসননা রন ৩০ পীরগা ৱিকেট ১ লৌখি। ইন্দিয়াগী স্পিন ফাইবোক রাভিচন্দ্রন অশ্বিননা (১/৩৬) অমদি রভিন্দ্র জাদেজা (১/৪১) না অপূনবা ওভর নিপানদা রন ৭৭ পীথোকখি।

# জেমি মরে-ব্রুনো সোরেসনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন দবলসকী টাইটললৌখ্রে



মেলবোর্ন, জন্যুৱারী ৩১ ঃ তরেৎশুবা সীদ জেমি মরে অমদি ব্রুনো সোরেসনা সেট অমা শোত্থখ্রবসু মেচ অদুদা নিংথিনা অমুক হল্লক্তুনা চেক্কী ভেটরান রাদেক ষ্টেপানেক অমদি কনাদিয়ন দানিএল নেষ্টোরবু ২-৬, ৬-৪, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী দবলস টাইটল লৌখ্রে।

এন্দি মরেগী ব্রদর জেমি মরে অমদি ব্রুনো সোরেসনা রোদ লেভর এরেনাদা ট্রোফি লৌখিবা অদু এন্দি মরেনা য়েংখি অমদি মহাক্কী টেলিফোননা থৌরম অদু ভিদিও নমখি।

এন্দি নঙনা ফমুংদা লৈরমগনি খল্লগা নঙনা ঐখোয়বু ফোটো নম্বা লাকখিবা অসি ঐনা খল্লুবা তৌদে। নঙনা ওপন অসিগী ফাইনেল শান্নবা অদুদা ঐখোয়না লাক্কুনা থৌগৎলগনি হায়না জেমি মরেনা হায়খি।

জেমি মরে অমদি ব্রুনো সোরেসনা নৌনা পার্টনরসিপ শেম্লগা দবলস টাইটল লৌবা অহানবা মখোয়গী গ্রান্দ স্লাম ওইখ্রে। মায় পাকপা অসিমক কুমজা ২০১৪ গী ৱিমব্লেদনদা ভাসেক পোস্পিসিল অমদি জেক সোক্কনা পাঙথোকখি।


B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/CHOSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
The Longest Coaching Centre in Manipur & 20 years service
Run by Resource Persons and Examiners of BOSEM & COHSEM
ADMISSION OPEN
CLASS X, XI & XII Sc REVISION COURSE
(Separate class - CBSE & COHSEM)
Sub: X (All subject), XI & XII Sc (Phy, Che, Bio, Maths, Eng, Compt. Sc)
CLASS HAS JUST STARTED
CLASS IX & X FOUNDATION COURSE 2016-17
CLASS STARTS ON : 18th JAN. 2016 LAST DATE : 16th JAN. 2016
Class Timing : (Either morning or evening students can join in both classes)
Morning (5:30 to 8:00) a.m.
Evening (4:30 to 7:20) p.m.
Please Contact :
Office of the BCC Manipur
Elite Senior Sec. School Building
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856279435
HL-B/2879/6/01-5/Feb

IPS
CANCHIPUR
THE IMPHAL PUBLIC HR. SEC. SCHOOL
THE ONLY SCHOOL IN MANIPUR WITH ALL ROUND DEVELOPMENT
THE PERFECT DESTINATION FOR PARENTS AND STUDENTS
KFC THE KANGLEIPAK FITNESS CENTRE
(A BLOCK OF GYM OF IPS)
REGISTRATION OPENS
FOR FITNESS TRAINING
(BOTH GYM & AEROBIC)




* YOU CAN LOST 20-30 KGS OF BODY WEIGHT WITHIN A FEW MONTHS
* YOU CAN GAIN 10-20 KGS OF BODY WEIGHT WITHIN A FEW MONTHS
* YOU CAN FIT WITHIN A FEW MONTHS
* SPECIAL CONCESSION FOR STUDENTS
* SPECIAL CONCESSION FOR IPS STUDENTS & PARENTS.
* WEIGHT LOST & GAIN, CONSULTANT
* TRAINING FEE RUPEES 500/- ONLY
* GYM TIMING - 5AM TO 8PM
MOTTO : HEALTH IS WEALTH

ADMISSION OPENS-2016
FROM PRE-NURSERY TO CLASS IX
(BOTH SCHOOL & BOARDING)
* AWARDED FOR BEST SCHOOL
* AWARDED FOR BEST PRINCIPAL
* LOWEST ADMISSION FEES & TUITION FEES WITH MEGA FACILITIES
* 12 TIMES STATE WINNER IN CO-CURRICULAR ACTIVITIES
LET'S NOT DEPEND ON FUTURE. LET'S CREAT IT.




MOTTO : KNOWLEDGE IS POWER
Note: i) Academic Session for 2016 will be commenced from the 1st of Feb. 2016 from Class Pre. Nursery to Class X.
ii) All the Boarders should report on 30th of January 2016 in between 10 a.m. to 3 p.m.
HL-B/2885/9/01-8/02